# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ কোকনাল

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

পাম্বী অসিবু করি মরমদগী কোকনাল থোনখিবগে হায়বসিগী চপ চাবা মরম খঙদ্রবসু পাম্বী অসিগী মনা শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু চেঙহী নৎত্রগা সেম্পু অমগুম্না কোক লুবদা শীজিন্নবদগী কৌখিবা ওইরমগনি হায়না থাজে। অতোপ্পা অমদনা পাম্বী অসিগী অপোম্বা লৈশিং অদু মতুম তারপ্না শিং নানবা অদু হেক য়েংবদা শীৎ নানবা মীগী মকোক মানবদগী কৌরম্বসু য়াই। কোকনাল পাম্বী অসি হিন্দিদা বনচলিতা (**Banchalita**), বেঙ্গোলিদা বনচালিতা (**Banchalita**), নেপালিদা গালেনি (**Galeni**) নৎত্রগা লহসুনে (**Lahasune**) নৎত্রগা রনাবাস (**Ranabaas**), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোতানিকেলগী ওইবা মমিংদা *লিয়া এসিয়াতিকা* ***[Leea asiatica (Linn) Ridsdale]*** নৎত্রগা *লিয়া ক্রীসপা* ***(Leea crispa Linn.)*** নৎত্রগা *লিয়া ইদজৱোর্থাই* ***(Leea Edgeworthii Santapau)*** নৎত্রগা *লিয়া হর্বেসিয়া* ***(Leea herbacea Buch-Ham.)*** নৎত্রগা *লিয়া পিন্নাতা* ***(Leea pinnata Andrews)*** নৎত্রগা *লিয়া পুমিলা* ***(Leea pumila Kurz)*** নৎত্রগা *লিয়া সেঙ্গুইনিয়া* ***(Leea sanguinea M'Leel ex CB Clarke)*** নৎত্রগা *গেসতোনিয়া নালুগু* ***[Gastonia nalugu Lam])*** নৎত্রগা *গিলির্বসিয়া নালুগু* ***[Gilibertia nalugu (Lam) DC]*** নৎত্রগা *ফাইতোলাকা এসিয়াতিকা* ***(Phytolacca asiatica Linn.)*** হায়না কৌই অমসুং ভাইতেসী হায়বদি অঙ্গুর পাম্বীগী (ভিতিস ভিনিফেরা) শাগৈদা চল্লি অদুবু ইকুই কুইদনা পাম্বী অসি *লিয়েসী* ***(Leeaceae)*** শাগৈ শেমদুনা থমখরে।

কোকনাল হায়রিবা পাম্বী অসি ফুট ১৫ রোম ফাওবা ৱাংবা অপীকপা পাম্বী অমনি। উ পাম্বী অসিগী মউ নৎত্রগা মরা অসি হা পাম্বীগুম্না চাউনা তাই। পাম্বী অসিগী মনাশিং অসি পিনেত হায়বদি মরোং লোংই নৎত্রগা নায়াৎ ৩ পাল্লি। মনাশিং অদুগী ভেন্স হায়বদি শিংলিশিং অদু জুরা ১১ দগী ১৫ ফাওবা য়াম্না চাওনা হায়বদি ময়েক শেংনা পাল্লি। মনাগী মার্ভিন হায়বদি অকোয়বা অদু হোরাই ময়াগুম্না য়াৎলি। পাম্বী অসিগী মহয় মতু তায় অমসুং মিলিমিটর ৪ দগী ৭ ফাওবা চাওই।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না কোকনাল পাম্বী অসি নোংপোক থংবা এসিয়াগী লমদমশিং- চইনা, ইন্দিয়া, নেপাল, ভুতান, বঙ্গলাদেশ, ম্যান্মার, থাইলেন্দ, কম্বোদিয়া, লাওস অমসুং ভিয়েতনামদা মহৌশাগী ওইবা মওংদা হৌজে। ইন্দিয়াগী মনুংদা কোকনাল পাম্বী হৌবা মফমশিংদি দার্জিলিং, হিমাচল প্রদেশ, উত্তর প্রদেশ, বিহার, ৱেষ্ট বেঙ্গল, অরুনাচল প্রদেশ, অসাম, নাগালেন্দ, মণিপুর, মিজোরাম, মেঘালায়া, ওরিষা, মধ্যা প্রদেশ, রাজস্থান, মহারাস্ত্রা, অন্ধ্র্য প্রদেশ, কর্নাতাকা, তামিল নাদু, কেরেলা, সিক্কিম, অন্দমান এন্দ নিকোবর অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মীর অসিনচিংবনি। কোকনাল পাম্বী অসি ঈশিং মনিলগী চাং ৱাংনা ফংবা খরা চোৎতক তৌবা মফমশিং মরু ওইনা জঙ্গলগী মপান, লোকচপশিং, তুরেলগী মপাল, তম্পাক্কী মফমশিং মরু ওইনা সমুদ্র ঈমায়দগী মিটর ৫০০ ৱাংবদগীনা মিটর ১৮০০ ৱাংবা মফমশিংদা থোইদোক্লা চুশিন্ননা হৌবা ঙম্মী।



ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি কোকনাল পাম্বী অসি অনেম্বা চীংগী চীংখোং চীংয়াশিং অমদি লোকচপগী ময়াদা হৌবা থেংনৈ। তম্পাক্কী খরা চোৎতক তৌবা উ ৱা মরাং কায়না হৌবা মফমশিংদা উ ৱা পাম্বীশিংগী মরক্তা য়েপ্তুনা হৌবা অদুমক থেংনৈ। করিগুম্বা কান্দসু খোংবালগী মপান্দসু অদুমক হৌগল্লি।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না কোকনাল পাম্বীদা বাইও-এক্তিভ (**Bioactive**) ওইরবা কম্পাউন্দশিং মরু ওইনা গেল্লিক এসিদ (**Gallic acid**) ক্বিইরসেত্রিন (**Quercetrin**), বিতা-অমাইরীন (**β-amayrin**) বিতা-সিতোসতেরোল (**β-sitosterol**) অমসুং লুপিওল (**Lupeol**) অসি থোইদোক হেন্দোকপা চাংদা য়াওবগী পাওদমশিং লৈ। হায়রিবশিং অসিগী মথক্তা হাইদ্রোর্কাবোন মখল ১১, পালমিতিক এসিদ (**Palmitic acid**), সোলানেসোল (**Solanesol**), ফার্নেসোল (**Farnesol**) অসিনচিংবশিং অসিসু চাং খরদা য়াওবগী পাউদমশিং লৈ।

ইন্দিয়াগী ত্রাইবেল কাঙলুপ খরনা কোকনাল পাম্বীগী লিতক তৌবা মনা অদু শুগাইরগা লৌবা মলম অদুনা মখল খরগী উনশাগী লায়নাশিং লায়েংবগী পাউদমশিং লৈ। খোংকন্না হামথবা মতমদা কোকনাল পাম্বীগী নৌতক তৌবা মনা অদু অফবা ঈশিংদা ফুৎলগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা লায়েংনৈ। হায়রিবা অশেম্বা মহী অদু পীথকপদা তোংশা কায়বা, হকচাং চীকপা-নাবা তৌবা অসিদসু থোইদোক্লা কান্নবগী পাউদমশিংসু লৈ। কনাগুম্বা মীওই অমা অরুম-লাইহৌ তৌরবদি কোকনাল পাম্বীগী মনা অমসুং মতোন অদু খোনগুম্বা অমদা ফজনা শুগাইরগা শেম্বা অনঙবা মলম অদুনা লাইবক্তা অমসুং হকচাংদা চাং নাইনা তৈবিবা মতমদা য়াম্না শিংথানিংঙাই ওইবা মওংদা কান্নবা ফল ফংবা ঙম্মী। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা কোকনাল পাম্বীগী মনা অমসুং মতোন অদু পোপলি-পোপলি শুগাইরগা ঈশিংদা পুং ২-৩ তিংদুনা থম্বদা হায়রিবা ঈশিং অদু নাং-নাং লাওরকই অমসুং অনাংবা মহী অদুনা চেঙহী নৎত্রগা সেম্পু অমা ওইনা কোক লুজনৈ। মসিনা অমোৎপা কোকহনবা অমসুং লৌপৌ লৈবা অদু ফহনবা ঙম্বগী মথক্তা শমশিং অদু জুম জুম লাওনা মপোপ তানা থম্বা ঙম্মী (**con-ditioning**) হায়না য়াম্না কুইরবা মতমদগী শীজিন্নদুনা লাক্লি। কোকনাল পাম্বীগী মনা অসি ইন্দিয়াগী অতোপ্পা মফম খরদসু কোক লুজবদা শীজিন্নবগী পাউদমশিংসু লৈ।




পাউদম অমগী মতুং ইন্না কোকনাল পাম্বীগী মরা অদুগা ইন্দিয়ান ওলি-বানুম (**Indian Olibanum**) নৎত্রগা সালাই গূগুল (**Salai guggul**) নৎত্রগা সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোতানিকেলগী ওইবা মমিংদা *বোসৱেলিয়া সেরাতা* ***(Boswellia serrata Triana & Planch)*** হায়না কৌনবা ইন্দিয়াদগী হৌরকখিবা (**Native to India**) পাম্বী অসিগী উগী মকুগা পুন্না শুগাইরগা শেম্বা মচল অদু লিন্না চীকপদা থোমদুনা হূ চিংথোক্লবা হীদাক অমা ওইনা শীজিন্নৈ। গুইনিৱোর্মস (**Guineaworms**) নৎত্রগা দ্রাকনকুলস মেদিনেনসিস (**Dracunculus medinensis**) হায়না খঙনবা সেন্টিমিটর ৮০ ফাওবা শাংবা তীন (**Nematode**)না মীওইবগী হকচাং মনুংদা চঙদুনা নাবা লায়না অসিদা কোকনাল পাম্বীগী মউ (**Rhizome**) অদুনা মায় পাক্লা লায়েংবগী পাউদমশিং লৈ।

# ইন্দিয়াগী অরিবা পুৱারীদা বৃটিসকী মীৎয়েং

## থোকচোম সনাথোই

খুন্নাই অমা নৎত্রগা সমাজ অমগী মশাগী ওইবা পুৱারী লৈজে। পুৱারীগী মশক নৎত্রগা ৱাখল্লোন অসি মফম অমদি মতম অনীনা খুজিং ওইরবসু পুৱারী ইননবগী অকক্লবা কাঙলোন লৈরমদে। ঐখোয়না ঙসি পুৱারী হায়বসি করিনো হায়না নৈনবদা পুৱারী হায়বসি থোকখ্রিবা থৌদোকশিংবু মথং মনাও নাইনা মফম মতম অমদি মীওইবগী থৌইনশিনদা য়ুম্ফম ওইরগা নৈনরিবা অসিদি ১৮ শুবা সেঞ্চুরি লোইশিল্লমদাই অমদি ১৯ শুবা সেঞ্চুরি হৌগৎলকপা মতমদা লাকখিবা ইমোসেন্ট্রিক ওইবা পুৱারীগী ৱাখল্লোননি। বৃটিসশিংনা ইন্দিয়াদা লাক্লবা মতুং ইন্দিয়াগী অরিবা পুৱারীবু শাগৎননবা হোৎনরকপা মতমদা, অকক্লবা পুৱারীগী মচাক নৈনখিবা অমদি কলচরেল পোজিটিভিজম (সমাজ অমগী মনুংদা চেল্লিবা সংস্কৃতিগী মচাকশিংদা য়ুম্ফম ওইবা ৱাখল্লোন) গী ৱাখল্লোন নাথৈখিবনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী অরিবা পুৱারী অসি পুৱারীগা শাগোন্নগদবা মচাকশিং য়াওদে হায়না বৃটিসশিংনা মরাল শীখি। থাঙ্গৈশেংনমক বৃটিস কোলোনিএল হিষ্টোরিয়নশিংনা শীরিবা মরাল অসিদি অচুম্বদি ওইদে। ইন্দিয়াগী হিষ্টোরিয়ন কয়ানা শীরক্লিবা মরাল অসি অরানবনি হায়না খুদম চাংদম কয়া পীখি।

১৮ শুবা সেঞ্চুরিগী লোইশিল্লমদাইদা, বৃটিসশিংনা ইন্দিয়াদা লাক্লবা মতুং, ইন্দিয়াবু খুবামনুংদা লোইলম চন্দুনা বৃটিশকী লোইলম লৈঙাক্লা য়াম্না লাইনা শাসন তৌনবগীদমক ইন্দিয়াগী অরিবা পুৱারীবু নৈনবা হৌরকখি। করিগুম্বা মফম অমবু এদমিনিসটর তৌবা হায়বসি মফম অদুগী চৎনবী, চৎন-কাঙলোন অমদি নাৎ-সংস্কৃতি হান্না মমুৎ তানা খংলবদি মফম অদুদগী য়াম্না ফজবা এদমিনিষ্ট্রেসনগী শক্তম অমা পুরকপা ঙমগনি হায়বসি বৃটিসশিংনা ঙসিগী মীরোলদা তাক্লি। অসুম্না ইন্দিয়াগী পুৱারী নৈনরকপা মতমদা বৃটিশশিংনা মখোয়গী মতেং পাংননবা ৱাহ্মনিজমগী ৱাখল্লোনদা, লুপ্পিবা ৱাহ্মনশিংগা পুন্দুনা মতম অদুগী হিন্দু সিভিল লো অমদি মৌলাবীশিংগা পুন্দুনা ইন্দিয়াগী অরিবা পুৱারী নৈনবা হৌরক্তুনা শাসন তৌননবা হোৎনরকখি। অদুবু বুধিষ্ট, জেন অমদি অতৈ অতোপ্পা পুৱারীগা শাগোন্নরিবা সমাজগী অশেংবা শকতম পীবা ঙম্বা লাইরিকশিং নথৈরম্লগা শুপ্নতংগী ৱাহ্মিজমগী ৱাখল্লোনদা য়ুম্ফম ওইখিবা অসিদি বৃটিসকী অরানবা ৱাখল্লোন ওইখি অমদি ইন্দিয়াগী অরিবা পুৱারীগী অচুম্বা মশক্তু পুথোকপা ঙমখিদে।

অদুগুম্বা ৱাহ্মিনিকেলগী ওইবা লাইরিকশিং অদু নৈনরুরবা মতুং, ইন্দোলোজিষ্ট (ইন্দিয়াগী নাৎ কলচরবু নোংচুপলোমগী মীৎয়েংদগী নৈনরিবা মী) মাক্স মুল্লর অমদি অতৈ অতোপ্পা নোংচুপলোমগী স্কোলরশিংনা, ইন্দিয়াগী পুৱারীগী মচাকশিং মরু ওইনা মতমগী মচাক অমদি থৌদোকশিংবু মথং মনাও নাইনা শীন্দোকপগী শক্তম লৈতে, লৈরিবা মীচমশিংনা মীওইবগী পুন্সিদা নোংমদা থোক্লিবা থৌদোকশিংবু নৈনবগী মহুত্তা, উবা শোকপা ঙমদবা পোৎশক কয়াদা তাওদুনা লৈ, সমাজদা অহোংবা হায়বা শক্তম অদু লৈতে হায়না মরাল শীখি।

সমাজ অমগী অশেংবা মশকপু তাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা নন-ৱ্রহ্মনিকেলগী ওইবা লাইরিকশিং খুদম ওইনা বুধিষ্ট, জতাকাশ, জাইনাস, পনচতন্ত্রনচিংবা নৈনবগী মহুত্তা সমাজ অমগী শক্তম হায়বসি করম্না ওইগদগে হায়বদা য়ুম্ফম ওইবা লাইরিকশিং খুদম ওইনা বেদাস, উপলিসদস, ধর্ম্ম-শাস্ত্রনচিংবা পুরান মমাঙগী লাইরিকশিং শক্তমক নৈনরিবা অমদি অকক্লবা লাইরিক মরখক্তমক্তদা অচৌবা মফম অমা পীরিবা অসিগী মরুমদা নাকল কয়াদগী রাজনিটিগী শক্তম অমা লৌরি হায়বসিদি অচুম্বনি। খুদম ওইনা হায়রবদা, ইন্দিয়াদা পাল্লম্বা অচৌবা মুগল ইম্পিয়রবু বৃটিষ্টনা মায়থিবা পীরবা মতুং বৃটিষ্টশিংনা ইন্দিয়াবু শাসন তৌবা হৌরকখিবনি। অসিগুম্বা মুগল অমদি বৃটিষ্ট অনীগী মরক্ত লৈরিবা মরী অসিনা মরম ওইরগা বৃটিষ্টকী হিষ্টোরিয়নশিংনা ৱাহ্মনিকেলগী ওইবা লাইরিকশিংতমক অচৌবা মফম অমা পীবনি হায়না মত পীরি। মসিদসু নত্তনা ভারতকী হান্নগী লৈজরল্লিবা শক্তম অদুবু মরাল শীরগা বৃটিষ্টশিং অসিদি ইন্দিয়াদা অশানবা মীৎয়েং য়েংহনবা ঙম্বা, চাওখৎপা অমদি সভত্যাগী মশক পুরক্লবা হোৎনরিবা মীওইশিংনি, মরম অসিনা বৃটিষ্টনা ইন্দিয়াদা শাসন তৌরিবা অসি অচুম্বা অমদি মরম চাবা অমা ওই হায়নবগীদমক বৃটিষ্টশিংনা ইন্দিয়াদা হিষ্টোরিকেল কন্সিয়সনেস লৈতে হায়না মরাল শীরিবনি হায়না মত পীরি।

তশেংনমক, অঙনবা মতমগী পুৱারী শাগৎননবা হোৎনবা মতমদা বৃটিষ্ট কোলোনিএল হিষ্টোরিয়নশিংনা ইন্দিয়াগী পুৱারীবু অখুবা মীৎয়েংদা য়েংখি। মতাং অসিদা ইন্দিয়াগী অফাওবা হিষ্টোরিয়ন রোমিলা থাপারনা সমাজ খুদিংমক মশা-মশাগী ওইবা পুৱারী লৈজে, ইম্বেদেদ অমদি এক্সটরনেলাইজ হায়না ইন্দিয়াদা অঙনবা মতমদা পুৱারীগী মশক মওং অনীদা লৈরম্মী। হিষ্টোরিকেল কন্সিয়সনেসকী শরুক অয়াম্বদি ইম্বেদেদকী মওংদা লৈরীবা পুৱারীগী মচাকশিংদা ফংই। মীয়াম্নসু লীনরিবা পুৱারীগী ৱারী শীংবুলশিং, নাৎ সংস্কৃটকী শাগোন্নরিবা ইপীকশিং অমদি মীওই কাংলুপশিংগী মপা-মপুগী মরীশিং অমদি মখোয়গী পুৱারী নৈনবনচিংবা অসি খুদম ওইনা পীবা য়াই। খ্বাই মীয়াম্না লীনরিবা পুৱারীগী ৱারী শীংবুলশিংদা ঐখোয়গী হৌরকফম, সমাজগী অশেংবা শক্তম অমদি হোংলক্লিবা সমাজ অমদি রাজনিটিগী শক্তম ময়েক শেংনা তাক্লি। বৃটিষ্টনা ইন্দিয়দা অহোংবা শক্তম লৈতে হায়রিবা অসিদি ইম্বেদেদকী মওংদা লৈরিবা পুৱারীবু নৈনরমদবননি হায়না মৎ পীরি।

ইন্দিয়াদা অঙনবা মতমদা চক্তা য়ুম্ফম ওইবা মতমগী খোঙচৎকী মশক (সাইক্লিক নেসন ওফ টাইম) শীজিন্নরম্মী। চক্তা য়ূম্ফম ওইবা অসিগুম্বা মতমগী খোঙচৎ, খুদম ওইনা সৈত য়ুগ লোইরগা ত্রেতা চক মতুংদা দ্বাপুর চক মতুংদা কলি চক, কলি চক হেক লোইবগা অমুক সত্যা চক্তগী অমুক হৌরকপা অসিগুম্বা মতমগী মশক অসিদি নোংচুপলোমদা শীজিন্নরিবা বাইবলদা য়ুম্ফম ওইবা মতমগী খোঙচৎ (লিনিয়র নেসন ওফ টাইম)দগী য়াম্না খেন্ননা বৃটিষ্টশিংনা উখি।

অদুবু সাইক্লিকেল অমদি লিনিয়র, মতম অনী অসিগী শক্তমদা খেন্নবগী শক্তমদি উবা ফংদে। ইন্দিয়াদা শীজিন্নরল্লিবা মতমগী খোঙচৎতসু মতমগী খোঙচৎতা শাগোন্ননা অহোংবা অদুমক পুরকই, থোক্লিবা থৌদোকশিং য়াম্না মরু ওইনা লৌবতা নত্তনা থোক্লিবা থৌদোকশিং অমুক হন্না হান্নগী মফমদা হল্লকপগী শক্তম লৈতে হায়না ইন্দিয়াগী হিষ্টোরিয়ন কয়ানা ফোঙদোক্লি।

বৃটিষ্টশিংনা শীরক্লিবা মরাল অসিবু অরানবনি হায়বা উৎননবা খুদম চাংদম কয়া পুথোক্তুনা ইন্দিয়াগী হিষ্টোরিয়ন কয়ানা অঙনবা মতমগী ইন্দিয়াগী পুৱারীদসু থৌদোকশিংবু মথং মনাও নাইনা, মতমদা য়ুম্ফম ওইরগা শীন্দোকপগী চৎনবী লৈরকই হায়না ফোংদোকখি। বেঙ্গলদা এসিয়াটিক সোসাইটি লীংখৎখিবা ৱেলস মচা ৱিল্লিয়ম জোননা চন্দ্রগুপ্তা মৌর্জা অমদি অলেঞ্জেন্দর অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মরীবু পুথোক্তুনা ইন্দিয়াদা থৌদোকশিংবু মথং মনাও নাইনা শীন্দোকপগী শক্তম লৈ হায়না উৎখি।

ইন্দিয়াগী নীংতম য়াওলগী মতুং, ইন্দিয়াগী হিষ্টোরিয়ান কয়ানা ইন্দিয়াগী হৌখ্রবা পুৱারীবু তোঙানবা মশক অমদা পুথোক্লককখি। হিন্দুগী মতম, মুসলিমগী মতম অমদি বৃটিষ্টকী মতম হায়না জেমস মিলগী পেরিওদাইজেসন অসিগী মনুংদা য়াওরিবা হিন্দু পেরিওদতা থার্দ সেঞ্চুরি বি সী হরাপ্পা সিভিলাইজেসনগী মতমদগী হৌরগা ১৩ শুবা সেঞ্চুরিগী দেল্লি সুলটান লাকপগী মনুংদা মকল মখা কয়াগী অহোংবা উবা ফংখি। ইন্দস সভ্যাতা সহরগী শক্তমগী মতুংদা, খুঙ্গংগী শক্তম (পেষ্টোরেল এন্দ এগ্রিকলচরেল চাকোলিথিক কলচর) মদুংদা অমুক সমাজ খরদা সহরগী শক্তম অমদি কাইনথংদা অচৌবা মহাজলাপদা কয়া লাকপা উখি। হায়রিবা খুদম অসিনা বৃটিষ্টনা ইন্দিয়াগী পুৱারীদা শীরক্লিবা মরাল অসি ৱাহং তৌরকপা হৌরকখি।

লোইশিল্লকপদা, মথক্তা থমজখ্রিবা ৱাফমশিং অসিদগী লৌখৎচরগা, ইন্দিয়াগী অঙনবা মতমদা ঐখোয়না ঙসি পুৱারী ইবগী নিয়ম শক্তম অসীমক লৈরমদ্রগসু, ইন্দিয়াগী অঙনবা মতমদসু পুৱারীগী মচাকশিং অমদি শক্তম কয়া ঐখোয়না উবা ফংই। সমাজ অমনা মখোয়গী ওইনা পুৱারীবু মতৌ করম্না শেমগৎচবগে অমদি শাগৎচবগে হায়বদুদি মখা তানা থিজিনবা য়াম্নমক দরকার ওইরি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৬

১। মণিপুরী পুৱারীদা হৈক্রু হিদোংবা হায়বসি য়াম্না চাউনা হিয়াং কুম্মৈগা লোয়ননা পাঙথোক্লি।
(ক) করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তগী কুম্মৈ অসি চথরকপগে?
(খ) তেংমায় লেপ্লিবা মীওই অনীদুনা শিরিবা চেং পরেং, হৈক্রু পরেংশিংদু চেং, হৈক্রু মশীং কয়া কয়ানো?

২। "চাউবসু কবিনি হায়বদা কনাসু য়েৎলোই। অদুবু কমলগা ফম্মিন্নবদদি য়েংবা নুংঙাইতে।" ৱাফম অসি কবি চাউবগী মতাংদা অইবা অমনা হায়রিবনি। অইবদু কনানো?

৩। "করিসু নত্তবা থবক্তা আ য়ৌশিন্না খঞ্জবা অসি ঐগী হৈনবীনি। অদুননি ঐনা ৱায়ার হেক হেক তৎলিবসি।"
ৱাহৈশিং অসিনা অইবা অমনা মশানা ইবা 'নোংলৈ অমসুং চা কপ' হায়বদুদা হায়রিবনি।
ৱারীমচা ইবদু কনানো?

৪। "পোলিটিকেল ওইবা ইসু অমবু মমায় খজিক লৈথোক্তুনা আর্টিষ্টিক টর্ন অমদা পুরকপা হায়বসি তরায়-তরায়বা খোরিরোলগী খূথা নত্তে। খোঙফম খজিক শোয়বদা কৈশুমশঙদা ফাদোক তাবা য়ারিবনি।"
ৱারোল অসিনা অইবী অমনা নহা অইবশিংদা চেকশিন-ৱা হায়রিবনি। অইবী অদু কনানো?

৫। 'ঈপোম বাবু: পুন্সি অমসুং থবকশিং' কৌবা পুন্সি ৱারী লাইরিক্তুগী অইবদু কনানো?

*মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি।*
*পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।*
*ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।*

## মরোল থোকপা লাই

